‘কোভিদ-১৯ মখা তানা লৈরবসু ওলিম্পিক্স গেমস পাঙথোক্লনবা টোকিওনা শেম শারি’

টোকিও, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক্স গেমস পাঙথোকপা য়াদনা মথং চহীগী জুলাই থাদা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং গেমস অদুবু মপূং ফানা কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙমদ্রবসু শেম শাদুনা লৈরি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা টোসিরো মুটোনা ফোঙদোকখ্রে।

জপাননা চহী ১০গী মমাংদগী কুমজা ২০২০দা ওলিম্পিক্স গেমস পাঙথোক্লনবা শেম শাদুনা লাকখিবা অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী জুলাই থাদগী হৌগনি তৌরম্বা অদু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক্স কম্মিটি অমদি জপান লৈবাক য়াওনা ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী অপূনবা ৱারেপ্পা চহী অমা য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌনখিবনি।

মালেম শীনবা থুংনা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসি হন্থরক্কনি হায়না চাউনা পানরি। লোয়নননা লায়না অসিবু ঙাকথোক্লনবা লৈবাক কয়াদা ভেক্সিন পুথোক্লবসু হোৎনরিবনি।

ওর্গনাইজরশিংনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি হন্থরক্কনি হায়না পানরিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী লৈবাক্কী ফীভম অসি য়েংলুরবদি কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না লেপ্পখিবা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোকপা য়াগনি হায়বগী ৱাফম অসি কনানসু লেপ্পা ঙমদ্রি। অদুবু ফীভম অসি হন্থরক্লবদি টোকিও ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শুংশোয় শোয়দনা গেমস অদু পাঙথোক্লনবা চপ চানা শেম শারি হায়খি।

গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা টোসিরো মুটোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রবসু টোকিওনা ওলিম্পিক্স গেমস অসি পাঙথোক্লনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খি।

মহাক্না মখা তাখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি মালেমগী ওইনা মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রবসু টোকিওদি ওলিম্পিক্স গেমস য়ূম্বু ওইনবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

ওলিম্পিক্স গেমস চহী ১ য়েথোকপনা মরম ওইরগা ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদা শেলগী ওইবা অচৌবা অমাঙবা অমা লৈরিবনি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক্স কম্মিটিগী মায়কৈদগী গেমস অসি চহী ১ য়েথোকপনা য়ামদ্রবদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৮০০গী চাংদা মাঙবা য়ানা লৈরি হায়রি।

সী এ সী ঈ ও মুটোনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চহী ১ য়েথোকখিবগী শেলগী অমাঙবা অদু চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা খঙবা ঙম্লোই। অতোপ্পা স্পোন্সরশিং লাক্লবদি অমাঙবা শেনফমশিং খরা ফুগৎপা ঙমগনি হায়রি।

ৱাদানা ইন্দিয়াগী দোপ টেষ্টিং লেব থা ৬ মখা তানা থিংখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী নেসনল এন্টি দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দর্দ য়ৌদবদগী মখা তানা অনীশুবা থাক্কী ওইনা থা ৬ অথিংবা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেসনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি মমাং চহীগী ওগষ্ট থাদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী ওফিসলশিংগী সাইট ভিজিটতা য়ুরিন অমসুং ব্লদ সেম্পলশিংগী এনালাইসিসশিং চখৎরিবা লেব অদুদা ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দর্দকী মখাদা লৈখি হায়দুনা অথিংবা থল্লম্বনি।

ৱাদাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা, মমাং চহী ওগষ্ট থাদগী হৌরগা থা ৬ অথিংবা থমখ্রবা মতুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মখা তানা লেব অদুনা পাঙথোকখিবা টেষ্টিংশিংদা মতীক চাবা রিজল্ট লৈখিদবগী লেব অসিবু অনীরকশুবা ওইনা থা ৬কী অথিংবা থল্লকবিনি।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (ৱাদা)গী লেবোরেটরি এক্সপর্ট গ্রুপনা রিকমেন্দ তৌখিবা ৱারোলদা ইন্দিয়াগী নেসনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি অসি মখা তানা থা ৬কী অথিংবা থল্লি। মরক অসিদা লেবোরেটরি অসিগী মায়কৈদগী মতীক চাবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী চৎন-কাঙলোনশিং অসিবু ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই।

জুলাই ১৭তগী ৱাদানা ইন্দিয়াগী নেসনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি অসি মখা তানা থা ৬কী অথিংবা থমখিবনি। মরম অসিদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং কোদকী কাঙলোনগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী নেসনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি অসিনা ৱাদাগী অথিংবা অসি য়ানিংদবা ৱাফম লৈরবদি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী ৱায়েল পীবা ঙম্লিবা কোদ ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসতা আপিল তৌবা য়াবগী খূদোংচাবা পীরি।

ইন্দিয়াগী নেসনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি অসিনা ৱাদাগী লেবোরেটরি এক্সপর্ট গ্রুপনা মমাংদা থমখিবা কাঙলোনশিং অদু ঙাক্লা চৎখিদবদগী মখা তানা থা ৬কী সস্পেন্দ তৌখিবনি। করিগুম্বা অনৌবা অথিংবা অসি ঙাকপা ঙমদ্রবদি অমুক হন্না থা ৬কী অনৌবা অথিংবা অমসু লাকপা য়াই হায়খি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

সনধ্যারানি অবুজম, হৈরোক কবো লৈকায়

প্রোব্লেম কয়ানা থল্লবা ২০২০গী চহী অসি রি-ফোর্মেট তৌবা য়াদ্রবা সিষ্টম অমগুম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ ঈশিং ইচাওগুম হেনগৎলক্লিবা অসি মফম খরদদি শোয়দনা অশোয়বা খরা লৈরবরা হায়না খল্লি। গাইদ লাইন ঙাক্লা চৎলক্তবা, ক্বারন্টিন সেন্টরদগী লোন্না চেনবা, নুমীৎ শুদনা হোম ক্বারন্টিন তৌনবা থাদোরকপা, হোম ক্বারন্টিনদা লৈরগা মী পংপুনদা পুনবা, ক্বারন্টিন সেন্টরদগী লাক্লগা পোজিটিভ ওইরকপা, টেষ্টকী রিজল্ট লাক্ত্রিঙৈদা য়ূমদা হল্লকপা, মরম ইরৈ লৈতনা পিকনিক স্পোট কয়াদা কোয়বা চৎপা, সোসল দিষ্টেন্স ঙাক্লা চৎনরক্তবা, মীয়াম পুনবা মফমদা মাস্ক উপ্পরকতবা অমদি লায়না অসিগী মরমদা থৌশানরক্তবা অসিনচিংবা মরম কয়া অসিনা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইগনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অদুমক মখা তানা চৎথরবদি কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসন শোয়দনা ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। লৈঙাক্লসু ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীকুপ নাহুম শিংনা গ্রাওন্দ লেবেলদা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। চৈরক অসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা স্কিম কয়াগী ষ্টেট অসিদা থাদরক্লিবা শেন্থং কয়া তশেংনমক তঙাইফদনা মথৌ তারিবা মীচম মীয়ামদা কান্নবা ফংলবরা নৎত্রগা ফংদবরা হায়বদুদি মীচম অমা ওইনা খঙজদ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙবিরম্লগনি। অকিবা ফংনা মফম খঙদনা মায়কৈ কয়াদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী পাউ কয়া লাকপা অসিনা মীয়ামদা মীপাই পোক্লরে।

পুখ্রম্বম বিশ্বজিৎ, মালোম তুলিহল

লমদম অসিদা থেংখাঙ কয়াদা দ্রগকী স্কামদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাখ্রে। অদুবু মণিপুরগী পুৱারীদা ফাখ্রবা মীওইশিং অদু লোগী ওইবা চৈরাক পীখ্রে হায়বগী পাউদি লৈতে। অমরোমদা থৌনা লৈবা অশেংবা পান্বা অমদি লমদম অসিদগী দ্রগকী লৈরিবা প্রোব্লেম অসিবু কোকহনবা পামজবা ওফিসর কয়ানা অহীং-নুংথিল অমত্তা ওইনা হোৎনজরবসু মদুগী মহয়দি ফংবা হায়বদু ওইদ্রি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মীচম মীয়াম্না ঈহৌ অমা লিংজেল মান্ননা হৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। লৈঙাক্লসু পুকচেল শেংনা অসিগুম্বা থৌনা লৈরিবা ওফিসরশিংদা থৌনা পীবিবগী মথৌ তাই। ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োকখৎপা পান্বগী ৱাফম নত্তন হিংনবগী লানফমদা হীদাক খরা য়োনজবা মীওইশিংদদি ঙম্মী হায়বগী মতাগুম ফাদুনা খোঙ্গোইনবিবা অমদি ফাইন থিহনবিরি। অমরোমদনা মীওইবগী পুন্সি মাংবা য়াবা ময়াই কাবা দ্রগ চাওনা ললোনলিবা মীওইশিংবুনা মরালগী ওইবা চৈরাক পীবা ঙমদবা অসি তশেংনা মীচম অমা ওইনা পেন্দবা ফাওই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা দ্রগকা মরী লৈননা চেন্নরিবা মীওইশিংবু অচুম্বা ৱায়েল তৌবিদুনা চপচাবা চৈরাক পীবিনবা হোৎনবিয়ু। লোয়ননা হৌজিক মণিপুরদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়াম্না কীনিংঙাই ওইরে। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবিরিবা অমদি মপান্দা লৈরম্বা মণিপুরীশিংবু পুশিনবিরকপগী থবক অসিদি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্না লায়না অসিগী মতাংদদি লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপগী মহুৎতা মীপুম খুদিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী মথৌ তাই হায়জনিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ইন্দিয়াগী অনন্দ অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী পিটরগী মখূৎতা মায়থিখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

হৌজিক-হৌজিক মালেমগী নুপাগী চেছকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা নোরৱে মচা গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা চেছ টুরগী মতুংদা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অপূনবা ওইনা পাঙথোক্লিবা লিজেন্দস ওফ চেছকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পিটর স্বিদলরগী মখূৎতা মায়থিখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা লিজেন্দ ওফ চেছকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা অনন্দ অমসুং পিটর স্বিদলরনা অহৌবা গেম অহুম দ্রো চৎতুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা পোইন্ট ১.৫-১.৫দা মান্নদুনা লৈখি। মরিশুবা গেম অদুদা অনন্দনা য়াম্না ফজবা মওংদা মায় পাকপা য়াবগী খূদোংচাবা লৈরম্লবা মতুং রসিয়াগী স্বিদলরনা অনন্দগী অশোয়বা খোঙথাং অমবু খূদোংচাবা লৌদুনা মায় পাক্তুনা ফজবা ঙমখি।

অহানবা রাউন্দ অদুদা নোরৱেগী মেগনস কার্লসননা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিবু পোইন্ট ৩-১দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইজরেলগী বোরিশ গেলফাননা চাইনাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেনবু পোইন্ট ৩-১দা থোইখি। লোয়ননা রসিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা লৈবাক অদুম্মক্কী ভেটেরান শান্নরোয় ব্লাদিমির ক্রামনিকপু পোইন্ট ৩-২দা মায়থিবা পীরবা মতুং অতোপ্পা মেচ অমদা হঙ্গেরিগী গ্রান্দমাষ্টর পিটর লিকোনা য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর বাসিলি ইভানচুকপু পোইন্ট ৩-২দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি চহী নৌরিবা শান্নরোয় ৪ অমসুং মশাগী চহী ৫০ শুরবা অমদি শুগদবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় তরুক্কা লম্বা তৌনরকপনি। অহানবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা চহী য়াম্লবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মায় পাকখিবা শান্নরোয় অদু ইজরেলগী বোরিশ গেলফান অমসুং পিটর লিকো ওইখি।

অটলান্টানা বোলোগনাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

রোম, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফূটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইটলিদা পাঙথোকপা সেরি এগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা অটলান্টানা বোলোগনাবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থিবা পীদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনিট ১০ হেঞ্জিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং মেচকী ৬২শুবা মিনিটতা অটলান্টাগী মায়কৈদগী চখৎরকপা এটেক অমদা দুবান জাপাতানা পীরকখিবা পাস অমদা টিমমেট লুই মুরেলনা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা একাউন্ট ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী রাউন্দদা পোইন্ট ৭১ফংদুনা অহুমশুবা থাক্তা লৈরম্বা অটলান্টানা ঙসি অঙনবা শান্নখিবা মেচ অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অদু বোলোগনানা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৭৪ ফংদুনা লিগকী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা হান্না অনীশুবা থাক্তা লৈরম্বদগী অটলান্টানা ইন্থরম্লবা ইন্টরনেজিওলগী টিমনা মখোয়গী লম্বাগা শান্নবদা মায় পাকপা ঙম্লবদি মখোয়না অমুক্কা হন্না অটলান্টাবু নমথরগা অনীশুবা থাক্তা লৈগদৌরিবনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অতোপ্পা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মিলান অমসুং সাসুলো লম্বা তৌনখি।

মিলানগী টিম মমাংগী রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫৬ ফংদুনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, সাসুলো পোইন্ট ৪৮ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

মিলান অমদি সাসুলোগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা মিলাননা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাখি। অহানবা পাঞ্জল মিলানগী জলাটান ইব্রাহিমোবিচনা ১৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল চনখি। মদুগী পাউখুমদা সাসুলোগী ফ্রান্সিস্কো কাপুতোনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনিটতা ইব্রাহিমোবিচনা মিলানগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মায় পাকখি।

স্পোর্টস কোচিংগীদমক ইনভাইট তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস):

মধ্য প্রদেশতা লৈবা গ্বালিয়র সিটিদা হাংলিবা লক্সমীবাই নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসননা ইন্সটিট্যুট অসিদা পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিং (পি জি দি এস সী), দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিং (দি এস সী) অমসুং অতোপ্পা কোর্সশিং কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা য়াওনিংবা মীওইশিংগীদমক এদমিসন টেষ্ট য়াওননবা ইনভাইট তৌরক্লি।

মণিপুরগী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না গ্বালিয়রগী লক্সমীবাই নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল ইন্সটিট্যুসনগী মায়কৈদগী পীরকপা ইনভাইটেসন অদুবু মখা তারদুনা মণিপুরদগী হায়রিবা পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিং অমসুং দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিং অমদি অতোপ্পা কোর্সশিংদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা রেগুলর ওইনা পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিং, পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট দিপ্লোমা ইন ফিটনেস মেনেজমেন্ট অমসুং দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিংগী কোর্সশিং লৈরি।

ওনলাইন অমসুং দিষ্টেন্স লর্নিংগী মোদতা স্পোর্টস ইভেন্ট মেনেজমেন্ট, পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস মেনেজমেন্ট, পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস জর্নেলিজম অমসুং বি এ (প্রোগ্রাম) স্পোর্টস অমদি পর্ফোর্মেন্স (এলিট) স্পোর্টস পর্সন খক্তগী ওইনা লৈরি।

কুমজা ২০০৫-০৬তগী হৌরগা দিফেন্স পর্সনেলশিং খক্তগী ওইবা দিপ্লোমা ইন স্পোর্টস কোচিংগী মতাংদসু ইন্সটিট্যুট অসিনা য়াওনিংবা মীওইশিং কৌরি।

শরুক য়ানিংবা কেন্দিদেটশিংনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ৱেবসাইট www.lnsp.edu.in নৎত্রগা কন্টেক্ট নম্বর ০৭৫১-৪০০০৮৮৭তা মখা তানা খঙনবগীদমক কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়রি। ইন্সটিট্যুট অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস কোচিং, মেনেজমেন্ট, জর্নেলিজমনচিংবা কোর্সশিং অসি থা অসিগী লোইশিল্লকপা অমদি ওগষ্ট থাগী হৌরকপদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না চাউরাকপা মতম অমা পীরি।

নিশুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী তাঙনা লৈখিবা দিফেন্দর ওইখ্রে

বেঙ্গালুরু, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফূটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমাংদা মমিং লৈরবা ফূটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সীদা সিজন মঙা শান্নরুরবা মতুং হন্দক্তা নৌনা ইন্দিয়ন সুপর লিগতা শরুক য়ারিবা কেরলা ব্লাষ্টরনা লৈদুনা দিফেন্দরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল তাঙবা শান্নরোয় ওইখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগরদগী হৌরকখিবা চান্দিগর ফূটবোল একাদেমিদা ইহান হান্না ফূটবোল শান্নরকপা অদুগা এ আই এফ এফ (ওল ইন্দিয়া ফূটবোল ফেদরেসন)গী এলিট একাদেমিদা শরুক য়াদুনা মশাগী চহী ১৭শুরকপদা বেঙ্গালুরু এফ সীনা লৌশিন্দুনা নেসনলগী ওইবা ফূটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারকখি।

নিশু কুমারনা বেঙ্গালুরু এফ সীদগী কেরলা ব্লাষ্টরসতা নৌনা শান্নগদৌরিবা অদুদা মহাক্কী ট্রান্সফর তৌবগী অশেংবা শেনফম অদু মীয়ামদা লাউথোক্ত্রবসু ন্যুজ এজেন্সী অমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইনা দিফেন্দরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্না সাইন তৌনবা শান্নরোয় ওইরে হায়খি।

নীংশিংবা য়াই নিশু কুমারনা বেঙ্গালুরু এফ সীদা শরুক য়াদুনা আই লিগকী টাইটল লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মণিপুরগী মমীং লৈরবা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল ফূটবোল শান্নরোয়শিংনা পান্বী কয়া থাখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফূটবোল মশান্নদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙমখ্রবা অমদি হৌজিক-হৌজিকসু শান্নরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় কয়ানা পূনশিন্দুনা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫০ চৎলগা লৈবা তেন্থাদা ইনভাইরনমেন্ট কনবগী খোঙথাং অমা ওইনা উ চারা কয়া থাখ্রে।

মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফূটবোল টিমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরম্বা হৌজিক-হৌজিক্লা পোথাখ্রবা ফ্রী কিক কাওবদা মমিং চৎখ্রবা রেনেদিনা লুচিংবা ফূটবোল ষ্টারগী কাঙলূপ অদুগী মনুংদা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমদা মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা উদান্তা য়াওখি।

চহী ১৭ মখাগী কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় সুরেশ ৱাংজম, নিংথোইঙম্বা মীতৈ, বোরিশ থাংজম, জিক্সননচিংবা শান্নরোয়শিংসু য়াওখি।

মখোয়দসু নৎতনা হান্না ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নবা ঙমখ্রবা সলাম রঞ্জন, চিংলেনস্না, মালেমঙানবা মীতৈ, প্রিতম নিংথৌজম অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় কয়াসু তেন্থাগী খুঙ্গং অদুদা উ-ৱা থাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুবু লুচিংখিবা রেনেদিনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী ফূটবোল টিমদা শরুক য়াবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি হৌজিক-হৌজিকসু শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী কাঙলূপ অসিনা লোকদাউনগী কোমথোকপা খরা লৈরকপা অসিদা পূনশিন্নদুনা অসিগুম্বা উ-ৱা থাবগী খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবা অদুগা ক্লব ওইনা বেঙ্গলুরু এফ সীদা য়াওরিবা উদান্তনা ফোঙদোকখিবদা, ফূটবোল শান্নরোয়শিং অদুনা উ-ৱা থাবগী থবক অসি পায়খৎখ্রবা মতুং মখা তানা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং খক্তা নৎতনা মীওই কয়ানসু মণিপুরগী মফম কয়াদা চপ মান্নবা মওংদা উ-ৱা থাবগী থবক থৌরমশিং অসি লৌখৎতুনা মালেম অসি লৈরক্লিবা ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসন্দগী থোক্লকপা পোল্যুসন থিংনবা হোৎনবা অমদি নুংশিৎতা য়াওরিবা হকচাং শোকপা য়াবা পোৎলমশিং হন্থহন্নবগী খোঙথাং অসি পায়খৎলক্কনি হায়না থাজবা থমখি।

শান্নরোয়শিং অদুনা মশা-মশাগী ওইবা পান্বীশিং থাদুনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অদুমমিং লৈবা অমা ওইহন্নবা হোৎনখি। চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবা নিংথোইঙানবনা তেন্থাগী খুঙ্গং অদুদা নৎতনা অতোপ্পা নক্লবা খুঙ্গংশিংদগী উ-ৱা থাদুনা মালেম অসিবু কন্দবা য়াদে হায়বগী পাউজেল পীবদা অচৌবা খোঙথাং অমা লৌখৎলি। নিংথোইঙানবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়গী সিনিয়র ওইরিবা রেনেদি অমসুং রঞ্জননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মখা তানা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনসু লৌখৎহন্নিংই হায়খি।

সুরেশ ৱাংজমনা ফোঙদোকখিবদা, থৌরম অদুগী মখা তারকপদা মহাকসু উ-ৱা থাবগী খোঙথাং অসি মখা তানা চত্থরগনি। মমাংদা মীয়াম্না উ-ৱা থাবগী অফবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবসু মহাক্কী মায়কৈদগী থবক ওইনা পায়খৎপা য়াওখিদে। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদগী মহাক্না অচৌবা পারা অমা নীংশিংদুনা মহাক্কী সিনিয়রশিংনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি তুংইন্দুনা মহাক মশামক অমদি নক্লবা মীওইশিংগা লোয়ননা উ-ৱা থাবগী থবক লৌখৎলগনি হায়খি।

ইষ্টকী শান্নরোয় মরি এপ্লাই তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফূটবোল এসোসিএসনগী ওইনা ঙসি ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লাউথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফূটবোল শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর অমসুং লোনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয় মরিনা অতোপ্পা ক্লবতা শান্নবগীদমক এপ্লাই তৌরকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফূটবোল ক্লব অমা ওইরিবা এন ঈ এস য়ুগী শান্নরোয় অনী ঐচ চিংখৈহুনবা অমসুং এম প্রেমজিৎনা ঈ এস য়ু (ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন)দা ট্রান্সফর তৌরক্লবা এপ্লাই তৌরকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা ক্লব এস এ কেগী শান্নরোয় দল্লিয়ু প্রকাশনা এন ঈ এস য়ু ক্লবতা শরুক য়ানবা এপ্লাই তৌরকখি। লোয়ননা য়ু এস এ ফূটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী সোভিট থাপাসু এন য়ু এস য়ুদা ট্রান্সফর তৌরক্লবা এপ্লাই তৌরক্লে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফূটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম মনিমোহোননা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ৱেষ্টকী ফূটবোল শান্নরোয়গী ট্রান্সফর

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২০-২০২১ ফূটবোল সিজনগী ওইনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর তৌরক্লবগী মতম লাউথোকখিবগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শান্নরোয় মরি মখোয়না হান্না শান্নরম্বা ক্লবশিংদগী অতোপ্পা ক্লবশিংদা ট্রান্সফর তৌরক্লবগী এপ্লাই তৌরকখ্রে।

ৱাই দল্লিয়ু সী (এল)গী নুপী শান্নরোয় খুমন্থেম লক্সমী চনুনা ক্রিপসা ফূটবোল ক্লবতা শরুক য়াননবা এপ্লাই তৌরকপনি। ক্লব অসিমক্কী অতোপ্পা নুপী শান্নরোয় ক্ষেত্রিময়ুম নাওচানা মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লব (এম পি এস সী)দা য়াওননবা এপ্লাই তৌরকপনি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ ফূটবোল ক্লবতা হান্না শান্নরম্বা নুপাগী শান্নরোয় রোকি খুন্দ্রাকপমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অতোপ্পা ফূটবোল ক্লব অমা ওইরিবা পাময়ালদা শরুক য়ানবগীদমক এপ্লাই তৌরকপনি। অদুগা বি এম এস সীগী শান্নরোয় মাইবম মাইকেল মৈতৈসু পাময়ালদা শরুক য়াননবা এপ্লাই তৌরে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০৭।২০২০ ইং, শগোলশেল;
থৱানগী ৩নি পানবা।

মেষ : হেন্না অশা তৌবা কান্নদবা অমদি অশাওবনা কাইনবা/চাদিং হেন্না তৌবা নুমিৎনি। মীংচৎতি ফংবা, য়েক্লববু ঙম্বা অমদি অফা অপুনগী থবক কোকচবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ : থিবা হুম্বা কনবা, ৱাজাও ঙাংদবা অমদি মীৱা লৌদবনা য়াইফবা ওইগনি। লৌশিং চাওবা লোইনদ্রদি শেল মাংবা অমদি কীবা লৈগনি। অথেংবদা নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱা ঙাংদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

মিথুন : অনম তানবনা লন মাংজগনি, মীয়ামগী ইহুল খংনা চৎলু অমদি চিংনবা থাদোকউ। নিংবদি থুংবা, লাইবক ফবা অমদি য়েক্লবা লৈরসু কোকচবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী : মীচং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট : কোক শাদনবা অনম তানগনু অমদি হোয়া ফগনু। হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি মীকোক থোংবা ৱাগনি। অরিবা থবক্তি পাংগনি অমদি অঙম্বনা চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী : থৌনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ : হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীচং ৱাৎতবা নুমিৎনি।য়েৎনরম্বা কোকচগনি অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কনি । অফবা ৱাখল্লোন্না পাংবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা : পংশিনবা শেল চিনবা অমদি হুরানবনা থবক থৌরমদা য়েংথিবা লৈগনি। অদুবু নচাক নরল ময়েং তারোই অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি- চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা : থবক পাংগনি, শেল ফংগনি, নিংবা থুংগনি, মীনা লাকচবা ঙল্লোই অমদি হকচাং নুংঙাইগনি।অরুবা থৌরম লাইনা চিংনদনা পাংবা য়াগনি, মীনা থাগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

বৃশ্চিক : অশাওবা অমদি ফিংবা থাদোকউ। তপথৌ-মরুপ মপাং কাইনরোই। মীপারম্বদি কোকচগনি অমদি ঙাংশকপদা মীনা থাগৎপিগনি অমদি শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : খৎনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু : মরুপ শাবশিংনা ইনশিনবা লৌরদি অপং তাগদবা নুমিৎনি। পুক্লিং ফাথরদি অকি তুজুংবা নংলোই। অনৌবা থৌ পাংগনু অমদি ওজা গুরুগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

মকর : নাপল তৌরবা অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌরবদি য়াম্না ৱাবা নংগনি। থাজদবা মরমদগী কান্নবদি ফংগনি অমদি থবক পাংগনি। মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কুম্বা : নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি।ললোন ইতিক য়াম্না কান্নগনি অমদি মীকোক থোংগদবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লমদা মায় পাক্কনি। শাওরদি মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন : মায় পাক্কনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি মীং চৎকনি। মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা লৈগনি। পল্লম্বা লন ফংবা য়াবা লৈরে।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com